SONY NEW MODEL 4K HDR
Sony 65" KD-65X7002E
₹ 2,24,900/-
Sony 49" KD-49X7002E
₹ 94,900/-
Sony 43" KD-73X7002E
₹ 72,900/-
SONY 40" R352E
₹ 47,900/-
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

[illegible]
নহারোলগী থৌদাং
A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

VIDEOCON HOUSE
LAUNCHES INTEX
WASHING MACHINE
7.6 KG ₹ 11000 = ₹ 9600
8KG(CR) ₹ 11500 = ₹ 9999
8KG(TG) ₹ 12500 = ₹ 10300
REFRIGERATOR
180 LTR(SB) ₹ 12400 = ₹ 10500
180 LTR(NB) ₹ 12400 = ₹ 10500
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
40' LED FULL HD ₹ 32990 = ₹ 25999
32' LED (TV) ₹ 18990 = ₹ 16500
24' LED (TV) ₹ 12650 = ₹ 10999
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

SCHOOL LEVEL

মণিপুর মেদিকেল প্লান্ট বোর্ডনা শিন্দুনা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম

ইন্দিপেন্দেন্স দেগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা চথখিবা ওপরেসনদা পুলিসনা ভেরিফিকেসন চথবা

২৩ শুবা চহি, ইশু ৭৪ www.naha7olgithoudang.in ইম্ফাল, আগষ্ট ১২, ২০১৭ ইং, থৱানগী ২০ নি পানবা, থাংজ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী থিংজিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ ইম্ফালগী কোনুং মমাং অন্দ্রো পার্কিংদগী য়াইরিপোক ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ফিভম অসি মরি লৈনবা ওথোরিশিংনা মতম শাংনা য়েশিন্দনা লৈরক্লিবা থৌওং অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ১২গী অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ৪৮ গী লম্বী থিংজিনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা লমদম অদোমগী ক্লব ১৮ না মাগী মাগী লম্বী মপাদা লম্বী থিংবগী থবক চথখি। লম্বী থিংবগী খোঙজং অদুদা লম্বীদা লাকপা মীওই কয়াদা চাওনা অকায়বা পীখি। অদুবু অনা–লায়েং, স্কুল ভান অমদি অতৈ ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী ওইনদি অথিংবা অদু পীখিদে।

সিএসতা দিপিগী অহেনবা ফম পুহনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মণিপুর সরকারগী দি পি না আই এ এস অমসুং এম সি এস থাক্কী ওফিসার ৭ ট্রান্সফার অমসুং পোষ্টিং পীবগী ওর্দর থোকখিবগা লোয়নননা কেবিনেট, পৱার অমসুং চিফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নারগী ফম পায়রিবা চিফ সেক্রেটরি আর আর রসমিদা দি পিগী অহেনবা ফম পুহনখ্রে। দি পিগী ফম অসি ইলেক্সন অমসুং ফাইনান্স কম্মিস্নার, দিল্লি মণিপুর ভবনগী স্পেসিয়েল রেসিদেন্সিয়েল কম্মিস্নারসু ওইরিবা সি ই ও বিভেক কুমার দেৱাঙ্গনদগী লৌথোকখিবনি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না পোষ্টিং পীদনা লৈরকপা কম্মিস্নার পি কে সিংহদা সেরিকলচর অমসুং টুরিজমগী থবক পুহনখ্রে। টিএঁচ গোপেন মৈতৈদগী সেরিকলচর লৌথোক্লগা আই এফ সি দি অমসুং এম আই খক্তা পুহনখ্রে। চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিগী ফমগী মথক্তা কেবিনেট, টুরিজম অমসুং জি এ দি পায়রম্বা এল অশোকুমারদগী টুরিজম লৌথোকখ্রে। ফাইনান্সকী দিপ্যুটি সেক্রেটরি নেভেদিটা লাইরেল্লাকপমনা পায়রম্বা এস ও টু চিফ সেক্রেটরিগী ফমসু লৌথোক্লগা দি পি গী অন্দর সেক্রেটরি পি এস ভবনন্দদা এস ও টু চিফ সেক্রেটরগী ফম পুহনখ্রে।

[illegible]

[illegible]

ইম্ফাল–জিরিবাম, ইম্ফাল–মাও অমসুং ইম্ফাল–মোরে লম্বী ইং ২০১৮ গী মার্চ ফাওবদা নিংথিনা শেমজিন্দুনা মীয়ামদা শিন্নগনি

ঃমিনিষ্টর বিশ্বজিৎ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ ঃ ইম্ফাল–জিরিবাম, ইম্ফাল–মাও অমসুং ইম্ফাল–মোরে লম্বী অসি লাক্লিবা চহী ২০১৮ গী মার্চ ফাওবদা নিংথিজবা মওংদা শেমগৎতুনা মীয়ামদা শিন্নগনি হায়না ৱাক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

STATE EXECUTIVE

বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর ২ অমসুং ৱার্দ মেম্বর ৪ না বিজেপিদা য়াওখ্রে। ঙসি বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী কৈশাম্পাৎ নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা নৌনা বিজেপিদা য়াওরক্লবা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৩ গী কাউন্সিল্লর মাইস্নাম বিমোলা দেবী, ৱার্দ নম্বর ৫ গী কাউন্সিল্লর থোকচোম ইন্দ্রমনি সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৩ গী ৱার্দ মেম্বর মোইরাংথেম রাজেন সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৩ গী ৱার্দ মেম্বর চিংঙাখম অঙৌ সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৫ কী ৱার্দ মেম্বর থিঙুজম ধিরেন সিংহ অমসুং ৱার্দ নম্বর ৫ গী ৱার্দ মেম্বর চনম্বম ইমোচা সিংহবু মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা লুচিংবা টিমনা তরান্না ওকখি।

বিজেপিদা য়াওরক্লবশিংবু তরান্না ওক্লদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়, বিজেপিদা নৌনা কাউন্সিল্লর ২ চংলক্লবনা কংগ্রেসনা হৌজিক শাসন পায়রিবা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অথুবা মতমগী মনুংদা বিজেপিনা শাসন পায়রগনি। মণিপুরগী মীয়াম্না বিজেপিদা থাজবা থম্বগা লোয়নননা হান্না তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়াদা লৈরম্বা কয়ানা মখোয় মখোয়না হান্না লৈরম্বা পার্টিশিং অদুবু থাদোক্তুনা মশানা ভলুন্টরি ওইনা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা বিজেপিদা য়াওনরকপা লেপত্রি। বিজেপিদা লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি।

চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা সরকার অসিনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী খেন্নবা থমদনা পায়খৎলক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অসিদা থাজবা থমদুনা বিজেপিদা য়াওনরক্লি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনিমক্তা বিজেপিগী শাসন পায়দুনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিদা থাজবা থমদুনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্লি।

বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসি মতম শাংনা কংগ্রেসকী লৈঙাক শাসন মখাদা লৈরকপগা লোয়নননা কাউন্সিল অসিগী মখাদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা ঙমদনা লাকপা কয়া অদু হৌজিক লৈরিবা বিজেপিনা লুচিংবা সরকার অসিগী মতমদা খরদং ওইরবসু চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎতবা য়াদে হায়দুনা পার্টি অসিদা চংবিরক্লিবা কাউন্সিল্লর ২ অমসুং ৱার্দ মেম্বর ৪ বু বিজেপিগী মায়কৈদগী হরাও তরান্না ওকচরি।

বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিদা পুন্না কাউন্সিল্লর ১২ লৈবগী মনুংদা বিজেপিগী হান্না কাউন্সিল্লর ৪ নি। কংগ্রেসকী কাউন্সিল্লর ৮ লৈদুনা হান্নদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা শাসন পায়দুনা লাকপনি। অদুবু ঙসি কাউন্সিল্লর ২ কংগ্রেসকী শাসনদগী তোক্লক্তুনা বিজেপিদা থাজবা থমদুনা য়াওরকপা অসিনা কাউন্সিল অসিদা বিজেপি অমসুং কংগ্রেস অনিমক কাউন্সিল্লর ৬ / ৬ লৈনরে। কাউন্সিল্লর ২ / ৩ সু অথুবা মতমগী মনুংদা বিজেপিদা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরবনা অথুবা মতমগী মনুংদা অওনবা অমা পুরক্তুনা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসি বিজেপিনা শাসন পায়বা ঙম্লগনি হায়না মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক লৈরিবা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা সরকার অসি থা ৪ খরা হেনবতা ঙাইহরি। থা ৪ খরা হেনবতা ঙাইহরিবা সরকার অসিগী মতমদা ঈশিং ইচাও থেঙখাং নায়না থোক্তুনা লম্বী থোং কয়া ঈশিংনা থুমজিনবদগী অকায় অতোয় নংলবসু সরকার অসিনা অকনবা *(মখা লা ৪দা)*

য়ুএনসিগা ট্রাইপরটাইট তোক চথখ্রে সেপ্টেম্বর থাদা মখা তানা ৱারী শানবদা য়ানখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ মমাংগী সরকারগী মতমদা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখিবা অদুগী মায়োক্তা য়ু এন সি না চংশিল্লকখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসকী দি আর দি এগী কনফরেন্স হোলদা পোলিটিকেল লেভেলদা কেন্দ্র সরকারগী মীহুৎশিং য়াওনা ট্রাইপরটাইট তোক চথখ্রে। মখা তানা সেপ্টেম্বর থাদা অমুক হন্না ৱারী শানবদা এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখ্রে।

TRIPARTITE TALKS
WITH
GOVERNMENT OF INDIA,
GOVERNMENT OF MANIPUR
AND
UNITED NAGA COUNCIL
SENAPATI DISTRICT HEADQUARTER

ভারত সরকারগী মাইকৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থইষ্ট) সত্যেন্দ্র গার্গনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা ট্রাইপরটাইট তোক অদুদা মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখনলিয়ান, টি দি এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর এন কাইসি অমসুং এডুকেসন মিনিষ্টর টিএঁচ রাধেশ্যাম, এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি (হোম) ডাঃ জে সুরেস বাবু অমসুং আই পি আর কম্মিস্নার কে রাধাকুমারনা শরুক য়াখি। অদুগা য়ুএনসিগী মাইকৈদগী লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ, জেনরেল সেক্রেটরি এস মিলন, অন্সমগী প্রসিদেন্ট সেথসটসং অমসুং নাগা ৱুমেন্স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অশা ৱুংনম শরুক য়াখি।

পুং ৪ রোম চুপ্পা ৱারী শানখিবা অদুদা য়ু এন সিগী মাইকৈদগী মমাংগী সরকারগী মতমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী খায়দোক্লগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়াওনা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেম্বগী ৱাফম অদুদা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখিবগী ফিরেপ অদুহনে দাক্লবা দাবী তৌখি। নাগাশিংগী পারি পুরিগী ওইবা লমশিং থুগায়রগা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবা অসি য়ানিংদে। মণিপুর সরকারনা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট শিং শেম্বদা নাগা ষ্টেক হোল্ডরশিং অমদি হিল এরিয়াজ কম্মিটিগা তান্নরমদে। নৌনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখিবা অসি নাগা মীয়ামগী মরক্তা থুগায়নবা হোৎনবনি। ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৩৭১ (সি)গী মতুংইন্না ট্রাইবেল মীয়ামগা মরী লৈনবা হিরমশিংদি হিল এরিয়াজ কম্মিটি তান্নরমগদবনি হায়বগী ৱাফম য়াওরিবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুমকপু চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননদি মমাংগী সরকারনা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী লৌরমখিবা ফিরেপ অদু হোংদোকপা লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

য়ু এন সিনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা মসিগী সোলুসন অমা থিমিন্নবা হায়নসু য়ানখি। য়ু এন সিগী মাইকৈদগী মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী ট্রাইপরটাইট তোক অসি পোলিটিকেল লেভেলদা পুখৎলকখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। *(মখা লা ৪দা)*

চাক্লাম খোঙচৎ নুমিৎতা বন্দ ব্লোকেদ তৌবীগনু

–এমসু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ঃ চহি খুদিংগী পাংথোকপগুম্ম হন্দকচহিগী ওইন্সু এমসুনা শিন্দুনা আগষ্ট ২৭ তা হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকপগুম্ম চহী অসিগী ওইন্সু নুমিৎ অসিদা হঙ্গর মার্চস ডে (চাক্লাম খোঙচৎ) থৌরমগা লোয়নননা অথৌবা অথৌবীশিংগী খুন্মদা ৫২রক শুবা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাংথোক্লনি। নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা লুপ অমত্তা লুপ অমত্তনা বন্দ / ব্লোকেন্দনচিংবা তৌবীগনু হায়না ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল হাওবিজম চালাম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইং ১৯৪৯ দা মণিপুর ভারত্তা তিশনখ্রবা মতুংদগী মণিপুর অসি মীপাল তংদুনা হিংহন্নবগী অনৌবা পান্দুপ অমা হৌরকখিবদগী লমদমসিগী য়েলহৌমী ঙাকচা শেঞ্জনবা লৈজরম্বা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম ১৯৫০ দা মতম্দুগী চিফ কম্মিস্নার হিমত সিংহনা লৌথোখি। মসিনা মরম ওইরগা ১৯৬১ গী মিকোক থীবদা লমদম অসিদা মীতেপ মীয়ানচানা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্তুনা লাক্লি। মসিগী মতুং লমদমসিগী সেনমিৎলোন মখোয়গী খুবামনুংদা লৈখ্রে। মসিগী মহৈনা লমদমসিগী কোন্নজবা মঙ্গন অমদি মহাও লৈবা চেং শেন্দোংগীদমক ললোনবশিংনা লৈঙাক মপুশিংগা লৌতুনরগা মীরমদা পুথোকখিবদগী লমদম অসিদা খুৎশেমগী চেং অমদি চাক তংবগী থৌদোক থোরকখি।

মীওইবগী পুক্নচাক লম্বীদা সঙ্গন তৌরক্লবদি অমদি হিংনবগী লম্বীদা অকায়বা পীরক্লবদি ইরমদম অসিগী মীয়াম্না মদুগী মায়োক্তা ইহৌ হৌবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। মসিমক্না মরম ওইরগা ইং ১৯৬৪ গী আগষ্ট ২৭, ইরাই নুমিৎ অসিদা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী লমজিং মখাদা মণিপুর মীরমদা ফৌ–চেং থাদোকপা য়ারোই, খুৎশেমগী চাক তংবা থোকহনবা য়ারোই হায়বা ইহৌ অমা মণিপুর মীয়ামগা পুন্না চংশিনখি। ইহৌ অসিদা মতমদুদা পাল্লম্বা সরকারনা তাবীবগী মহুৎতা শা–ঙাদা চৎকদবা লিচৎ শাজৎ অদু পুলিস পার্সোনেলশিংনা ইহৌ অদুবু নমথনবা হোৎনবদা নোংমৈ ফাওবা কাপ্পদগী থৌদোক অসিদা নুপী অমা য়াওনা মহৈরোই ৩ অমদি দ্রাইভর অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৪ থৱায়না পোল্প পীখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসিবু নিংশিংদুনা এমসুনা চহি খুদিংগী অগষ্ট ২৭ তা ‘হঙ্গর মার্চস ডে’ (চাকলাম খোঙচৎ) হায়না অথৌবা অথৌবীশিং অসিবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি পাংথোক্তুনা লাক্লি। *(মখা লা ৪দা)*

খুৎশেমগী খুৎ থোক্লখি হায়না কেশ লৌখৎলিবা মফমশিংদা সুপ্রীম কোর্টকী উকিল গোস্বামী লাক্তুনা স্পোট ইনক্বারী তৌগদৌরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল আগষ্ট ১১ঃ চহি খরগী মমাংদা মণিপুরদা থোকখিবা খুৎশেমগী ওইবা ভাবনা শাগৎপা খুৎ–থোক্লবগী থৌদোক (এক্সত্রা জুদিসিয়েল কিল্লিং / ফেক এনকাওন্টর) শিংগী কেশকা মরী লৈননা মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী মণিপুর পুলিসনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিজয়াগী উকিল দিঃবিঃ গোস্বামী এনগেজ তৌখিবগা লোয়নননা অথুবা মতমদা উকিল অসি মণিপুরদা লাক্তুনা পুলিসনা খুৎশেমগী খুৎথোক্লখিবনি হায়না কেশ লৌখৎপদা য়াওরিবা মফমশিংদা হাকথেংনননা চতুনা স্পোট ইনক্বারী তৌরগনি হায়রি।

সেক্যুরিটি কাংকুপী মখুৎ চল্লবা মীওইশিংবু অচুম অরান থিদনা খুৎ থোক্লবা (এনকাওন্টর) দা শিবনি হায়না ক্লেম তৌবগী কেশশিং অসি সিঃবিঃআইঃ দা থিগৎহন্নবা মমাং থাগী ১৪ দা সুপ্রীম কোর্টনা তাখিবা রায়গী মতুং ইন্না সিঃবিঃআইঃ না ইনভেষ্টিগেসন চথরিঙৈ মনুংদা লিগেল এসিষ্টেন্স লৌনবগীদমক উকিল অসি এনগেজ তৌখিবনি (নেকখিবনি) হায়রি।

প্রেসনা থাজবা য়াবা মফম্দগী ফংবা পাউঅমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ৬ তা নিউদিল্লিদা বেজ তৌবা মণিপুর টিকেন্দ্রজিৎ ভবন্দা উকিল গোস্বামী, সুপ্রীম কোর্টতা লৈরিবা এক্সত্রা জুদিসিয়েল ইকজিক্যুসন কেশকা মরী লৈননা ষ্টেটকী ষ্টেন্দিং কাওন্সেল ওইরিবা সাপম বিস্নাজিৎ মৈতৈ, মণিপুর পুলিসকী আইঃজিঃপিঃ (লো এন্দ ওর্দর ৱান) ক্লেখোংশাই অমদি আইঃজিঃপিঃ (লো এন্দ ওর্দর টু) লুপহোং কাইলুন পুন্না ফম্মিন্নদুনা তানবা য়াবা ৱাফমশিং তান্নরবা মতুংদা উকিল মশামক্কী অয়াবা লৌরগা উকিল অসি সিঃবিঃআইঃ গী ইনক্বারী মনুংদা আইনগী ওইবা মতেং লৌনবগীদমক নেকখিবনিসু হায়রি।

ষ্টেটকী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা ফম্মখিবা ৱা তান্নবগী মীফম অদুদা ওফিসিয়েলশিং অসিনা থমখিবা এসুরেন্স মতুং ইন্না আইনগী ওইবা মতেং লৌনবা উকিল অসিগী প্রেফেসেল ফী ওইনা ষ্টেটনা লুঃ লাক্ষ ১৫ পীবা হায়না য়ানখি হায়রি।

অসুম্না য়ানবা পুরক্লবা মতুং উকিল গোস্বামীনা য়াল্লবদা নুমিৎ ১৫ নি মুক্তি মণিপুরদা মশামকলাক্তুনা স্পোট ভিজিৎ তৌনিংই হায়বগী চিঠি অমা থা অসিগী ৯ দা মণিপুর পুলিসকী দিঃজিঃপিঃ – এলঃএমঃ খৌতেদো ইরকখিবগী ৱাফম ফাওবা লৈখ্রে। উকিল অসিনা অথুবা মতমগী মনুংদা মণিপুরদা লাকপা য়ারগনি হায়বগী চপ চাবা মতম খঙহল্লক্লবা অদুগা এক্সত্রা–জুদিসিয়েল ইকজিক্যুসন কেশকা মরী লৈনবা দরকার ওইবা চে–চাংশিং থৌরাং তৌদুনা থম্লম্নবা অমদি থৌদোক থোকফমশিংদা চপ চানা থিজিন–হুমজিনবা চৎপা য়ানবগী থৌরাং তৌবীনবা ৱাফম ২ খক্সু থম্লক্লি।

উকিল অসিনা মণিপুরদা লাকপা য়াবগী মতম খঙহল্লক্লবা ষ্টেটতা হায়রক্লিবা অসি মরু ওইনা মহাক (উকিল) না দিল্লিদা পায়দুনা লৈরিবা অতৈ কেশশিং এদজষ্টমেন্ট তৌবা য়ানবনি হায়বা ৱাফম অমসু চিঠি অদুদা পল্লি হায়রি। *(মখা লা ৪দা)*

কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ লাক্লিবা আগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরি লৈননা মণিপুরগী মফম কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী থবক কনশিল্লক্লি। মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফম ৬ তা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবগা লোয়নননা চিংনবা মীওই কয়া লৌখৎতুনা ভেরিফিকেসন চথখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসপি কে কবিবকী পাউতাক মতুং ইন্না এদিসনেল এসপি (ওপস) এম কুমারজিৎকী মীৎয়েং মখাদা দিএসপি (ওপস) আরকে শকলেম্বা, দিএসপি (সিএআর) রোনি ময়েংবম অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ওসি বি লুংথাং ভাইফে না লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৱুমেন পুলিসকী অপুনবা কাঙবু অমনা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পাওমৈ কোলোনি কাইরং রোডতা ঙসি অয়ুক পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ওপরেসন অদুদা নুপা ১৭৬, নুপী ১৩৪ অমদি মহৈরোয় ৪০ য়াওনা পুন্না মীওই ৩৫০ ভেরিফিকেসন চথখি। মশাগী শক্তাক চে য়াওদবা নুপা ৯ অমদি নুপী ৪ মখা তানা ভেরিফিকেসন চথনবগীদমক হৈঙাং পুলিসনা লৌখৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা এদিসনেল এসপি (ওপস) মধুনিমাইনা লুচিংবা কাঙবু অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী ৬.৩০ ফাওবা পাৎশোই পার্টি–টু মখা লৈকাইগী ফুম–ফুমদা চঙুনা থিবা হুম্বগী থবকচথখ্রে। ফুমদা লৈরম্বা মীওইশিং অমমমত্ত ওইনা মশাগী শক্তাক চে পুথোকহন্দুনা ভেরিফিকেসন চথখি। অদুবু থোইদোকপা মীফম–মীপুন্দি য়াওখিদে। *(মখা লা ৪দা)*

লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈরিবা নোংদমদগী মফৌ দাম ফাওবগী লম্বী অসি কা হেন্না ফত্তবনা মসিবু শেমজিনবিনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না হায়রবসু থবক ওইনা পাঙথোরক্তবগী মায়োক্তা ঙসিদগী মাইকৈ অদোমগী ক্লব অমসুং লুপ কয়ানা মোইরাংপুরেল ফুরা মখোংদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

মোইরাংপুরেল য়ুথ ক্লব, মোইরাংপুরেল পাঙ্গোইবী য়ুথ ক্লব, মোইরাংপুরেল পনুং লৈকাই য়ুথ ৱেলফেয়ার ক্লব, ইথম নহারোল য়াইফ থৌরাং ক্লব, তুমুখোং য়ুথ সোসিয়েল ওর্গনাইজেসন, তুমুখোং দাম এরিয়া ট্রান্সপোর্টর ওর্নস এন্দ দ্রাইভরস এসোসিয়েসন, মোইরাংপুরেল এরিয়া লোকেল ত্রক দ্রাইভর য়ুনিয়ন অমসুং মীওই কয়ানা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা লম্বী অদুদা গারি অমত্তা চৎনখিদ্রে।

মতম কয়াগী মমাংদগী ইম্ফাল– মফৌ দাম অসি শেঙ্গীদবদগী চৎপা য়াদদুনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি মীনা কয়া য়াওখ্রবনি। লোকেল এমএলএ শ্যামকুমারদসু হায়খ্রবনি। মদুবু মরী লৈনবশিংদা হায়খ্রে হায়রবসু থবক ওইনা পাঙথোরক্তবনা হৌজিক চংশিল্লিবা লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি গর্ভর্নমেন্টকা য়াশিন্নবা অমা পুরক্লিবা ফাওবা চংশিনখিগনি। মসিদা থোক্লকপা অফ ফত্তগী দাইত্য সরকারনা পুগদবনি। লম্বী অসিগী নাপেৎপল্লিদগী মোইরাং পুরেল য়ৌবা লম্বীগী শরুক অসি শুপ্পগী কিলোমিটর ১৮খক্তনি। অদুবু লম্বী মতেক অসি চৎপদা পুং ১ হেন্না চংলি। *(মখা লা ৪দা)*

ইং ২০১৮ গী জনুৱারিদগী ষ্টেপল পিনস টি বেগ শিজিন্নবা থিংলগনি

ঃ ব্রোজেন্দ্রো খাবা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ ভারত সরকারগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না মণিপুরগী ওইনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতসু লাক্লিবা ইং ২০১৮ গী জনুৱারি থাদগী হকচাং শোক্লিংঙাই অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মওংদা শেম–শারিবা ষ্টেপল পিনস টি বেগ (পেকেট মচাগী চা মনা) শিজিন্নবা পুমথিং থিংলে হায়না মণিপুর সরকারগী ওফিস ওফ দ দেজিগনেটেদ ওফিসার / চিফ মেদিকেল ওফিসার তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দেজিগনেটেদ ওফিসার ইন চার্জ টি ব্রোজেন্দ্রো খাবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

দেজিগনেটেদ ওফিসার ইন–চার্জ ব্রোজেন্দ্রো খাবানা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মপুং ওইনা হায়রিবদি, হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না লমদম অসিগী কৈথেলদা তোঙান তোঙানবা মখল ২ গী চা মনা শেম–শাদুনা ফংই। হায়রিবা চা মনাশিং অদুদি অহানবদা ষ্টেপল টি বেগস অমদি নোটেদ টি বেগসনি।

ষ্টেপল টি বেগস হায়বদি ফিল্টর পেপর, নাইলোনগী নেটনা য়োমশিল্লগা পিন ফারগা য়োনবা মখলগী চা মনাশিং অসিনা ঈশিং অইংবা নত্রগা ঈশিং অশাবদা হাপ্লগা চা থকপা মতমদা চা থক্লিবা মীওইশিং অদুদা চা মনা অদুবু চপলিবা পিনশিং অদুদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচাক কয়া থোক্লকই। অমরোমদসু হায়রিবা পিন অদুনা ফিল্টর পেপর অমদি নাইলোনগী নেট অদুদগী নাম্থোকখিদুনা কনাগুম্বনা চা অদু থকলুবা মতমদা হকচাংদা পিনশিং অদু চংখিদুনা হেন্না খুদোং থিবা কয়া থোক্লক্লবগী মরম ওই। অদুনা মসিগুম্বা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা ভারত সরকারগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতসু হায়রিবা ষ্টেপল পিনস টি বেগশিং অসি য়োনবা পুমথিং থিংলে।

মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা চা মনা *(মখা লা ৪দা)*

মেদিসেনেল প্লান্টশিং নিংথিনা মশক খঙদোক্তুনা য়োকখৎনবা হোৎনসি

ঃজয়েন্তকুমার

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ ঃ মণিপুরদা ফংলিবা মেদিসেনেল প্লান্টশিংবু নিংথিনা মশক খঙদোক্তুনা য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর ষ্টেট মেদিসেনেল প্লান্টস বোর্দ, নেস্নেল অয়ুশ মিসন, দাইরেক্টোরেট ওফ অয়ুশ অমসুং ওর্গনাইজেসন ফোর ট্রাইবেলস বিনিফিট প্রোগ্রাম(ওটিবিপি) চান্দেলনা শিন্দুনা চান্দেল জাফৌ বজারদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ‘ইন্টরেক্তিব মীট ওন মেদিসেনেল প্লান্টস ৱিথ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফার্মরস / কল্লেক্টরস’, ইনোভেসন ওন মেইনষ্ট্রিমিং ওফ অয়ুশ এন্দ ‘৩৬৫ দেস এক্তিবিটিজ এট স্কুল লেভেল’ হায়বা থৌরম হৌদোক্লদুনা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হেলঠ মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা হায়, অয়ুশ হায়বসি করিনো হায়বা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা দরকার ওই। মীওইবা খুন্নাইনা মতম কুইনা হিংবা মতমদা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোকপা অমসুং নাহন্দবা তাই। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা এলোপেথিগী লায়েং লৈত্রিঙৈদগী চৎনরক্লবা লায়েং পাথাপ অসিনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্তুনা লাক্লি।

অয়ুশকী লায়েংনা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্লি। পাম্বী মখল কয়াগী মনা চাবদা লায়না কয়া ফহনবা ঙমই হায়বসি খঙবদগী অয়ুশকী লায়েংদা থাজবগী চাং হেনগৎলক্লি। লমদম অসিদা ফংলিবা মেদিসেনেল প্লান্ট কয়া অসিবু নিংথিনা মশক খঙনা মসিবু নিয়ম চুম্না শিজিন্নদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা য়াই। মণিপুরদা ফংলিবা মেদিসেনেল পাম্বী কয়া অসিগী মরমদা নিংথিনা থিজিনবা মথৌ তারি। মেদিসেনেল প্লান্টশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনসি।

মণিপুরদা নেচরনা মেদিসেনেল প্লান্ট কয়া পীরি। হায়রিবা পাম্বীশিং অসি মমল য়াম্নবা শেলফম ঙাক্তনি। মেদিসেনেল প্লান্ট কয়া নিংথিনা মশক খঙদোক্তুনা হেন্না পাকশন্না থানবা হোৎনসি। মেদিসেনেল প্লান্ট থাবদা মীয়াম্না সপ্পোর্ট তৌমিন্নসি।

লমদম অসিগী মীয়াম্বু নাহন্দনা মশা–মউ ফনা থন্নবা হোৎনবা চংই। লমদম অসিবু চাওখৎপা অমসুং হকচাং নাদ–য়েক্তবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এনজিও অমসুং স্কুল কয়াগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী এমএলএ এস সুভাসচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এমএলএ কে রোবিন্দ্রো, সেকমাই কেন্দ্রগী এমএলএ ঐচ দিঙ্গো অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার কৃষ্ণ কুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

মসিগী মমাংদা হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা হৌজিক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মমাংগী সরকারগী মতমদগী শেমগৎ–শাগৎতুনা লাকখিবা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী শেমগৎ শাগৎলিবশিংবু য়েংশিনখি।

হৌজিক লৈরিবা চান্দেলগী অরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অৱাৎ অপা কয়াবু মেনশিনবিনবা*(মখা লা লা ৪দা)*

ইম্ফালদা সাইন্স সিটি অমা অথুবদা শানবা থৌরাং তৌরি

ঃদিপুটি সিএম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ১১ ঃ সরকার অসিনা অথুবা মতমদা ইম্ফালদা সাইন্স সিটি অমা শানবা থৌরাং তৌরি। মসিগীদমক্তা এক্সপার্টশিংগা খন্নবা হৌরে হায়না ঙসি তাকয়েলদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্স এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি)দা পাঙথোকখিবা লেকচরর প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংলদুনা দিপুটি চিফ মিনিষ্টর জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, নহা ওইরিবশিংদা সাইন্সকী বেসিক নোলেজ অসি হেনগৎহন্নবগীদমক্তা ইম্ফালদা সাইন্স সিটি অসি হাংদোক্লবা থৌরাং তৌবনি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা সাইন্স সেন্টর হাংদোকপা লৈখ্রে। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি খুমাং চাওশিল্লকপা অসিনা পুন্সিগী ওইবা মশক মওংশিংদা অহোংবা লাক্লি। মরম অদুনা মসিগী এপ্লিকেসনশিং অসি শীজিন্নদুনা হেন্না ফৱা পুন্সি মহিং অমগীদমক খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। *(মখা লা ৪দা)*

হৱাদো লৈরাংদো


ট্রান্সফার তৌরিসি লৈবাক্কী ফনবনি।
চুম্মী... নতৈমাখোয়সু খরা কানজহৌইদনা হে হে।

মনুংদাঃ সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌবা চঙই (এদিটোরিয়েল) লৈবাক্কী পাউ, মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস